# ওলেম্পিক্কী শেম শাবা ওইনা শান্নরোয়শিংনা দোপীং তৌবা




## লৈশাংথেম অজিৎ

**কুমজা ২০১৬** কী ওগষ্ট থাদা রিও-দি-জনৈরোদা পাঙথোক্কদৌরিবা কালেনগী ওলেম্পিক গেমস ময়া য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা মালেমদা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগী মরক্তা দোপীং তৌবগী (শান্নরোয়শিংনা চাবা য়াদবা হীদাক শীজিন্নবগী চাংয়েং) চাং নোংমা নোংমগী হেনগৎলমগনি হায়বগী চিংনবা অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মমাঙদা ওলেম্পিক গেমসদা সনাগী মেদল ফংখ্রবা শান্নরোয় কয়া অমুক চহী কয়াগী মতুংদা মখোয়না ফংখিবা মেদলশিং অদু দোপীং তৌবদগী ফংখিবনি হায়বা প্রমানগা লোয়ননা মরাল শীদুনা মখোয়না ফংখিবা মেদলশিং অদু হন্দোকহনখি। অসিগুম্নবা থৌওংশিং অসিনা ওলেম্পিক্কী মীংচৎ থিহল্লি। সোচিদা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক গেমসতা রসিয়া লৈঙাক অমদি লৈবাক অদুগী শান্নবগী লূপশিংগা লোয়ননা অরোনবা খুজিল থৌরাং তৌদুনা দোপী তৌহল্লগা গেমস অদুদা সনাগী মেদল খ্বাইদগী হেন্না ফংনবা রসিয়ান শান্নরোয়শিংবু দোপীং তৌহনখি। ওলেম্পিক্কী থৌরম হেক শরুক য়ারবা মতুংদা রসিয়াগী এথলেটশিংদগী খোমজিনখিবা হক্কী ঈশিং হাপ্পা লিক্লিশিং অদুগী কোদ নম্বরশিং খঙজিনহৌরগা অহিং নোংয়াই চবুক্তা শান্নরোয়শিংনা দোপীং তৌদ্রিঙৈদা হায়বদি হীদাক চাদ্রিঙৈদা লৌখিবা হক্কী ঈশিং হাপ্পা লিক্লিশিং অদুগা শিন্দোক্লখিবগী (ওন্থোক্লখিবগী) অচৌবা ওপরেসনগী অরোনবা অদু খঙনরক্তুনা রসিয়াগী শান্নবগী ফেদরেসনশিংগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা মরী লৈনবা মালেমগী শান্নবগী ফেদরেসনশিংনা মসিগী মায়োক্তা খোঙথাং কয়া থাংজিল্লদুনা লৈবাক অদুদা লৈবা স্পোর্টস ফেদরেসন কয়াবু সস্পেন্দ তৌদুনা থল্লি।

রসিয়ান এথলেটিক্স ফেদরেসনসু অসিগুম্বা মীংচৎ থিবা থৌদোক অসি মায়োক্লরি। মরম অসিনা রসিয়াগী লমজেল চেনবা, নূং লংবা, তা হুনবা অমদি চেনজোংনচিংবদা হায়বদি এথলেটিক্সকী থৌরমদা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিংগী অশিন অরাং তৌরিবা ফেদরেসন অসিগী মথক্তা ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না অথিংবা থমখ্রে। মরমদি লৈবাক অসিগী এথলেটশিং অসি ইন্টরনেসনেল অমসুং নেসনলগী থাক্তা দোপীং তৌরম্বগী ফাখিবশিংগী মনুংদা মীশিং খ্বাইদগী য়ান্নবশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। মরম অসিনা লৈবাক অসিগী এথলেটিক্স ফেদরেসন অসিগী মথক্তা অথিংবা থল্লিবা অসি লৌথোকত্রবদি রিও গেমসতা য়াওবগী হক লৈতে। অসিগুম্বা অথিংবা অসিনা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা এথলেটশিং খুদম ওইনা মালেমগী পোলভোল্টকী নুপীগী রেকোর্দ পায়রিবী অমদি মশান্না অসিগী ওলেম্পিক চেম্পিয়ন য়েলেনা ইনশিনবায়েভাগুম্বা দোপীং তৌদ্রিবা শান্নরোয়শিংদদি য়াম্না মাঙজবা অমা ওইরি।

কুমজা ২০০৮ দা বৈজিংদা পাঙথোকখিবা গেমসদা মেদল লৌখিবা এথলেটশিংগী হক্কী ঈশিং অদু হৌজিক ফাওবা নিংথিনা প্রিজার্ভ তৌদুনা থল্লবা মতুংদা হন্দক্তা লৌথোক্লগা চাংয়েং তৌবদা মেদল ফংখিবা শান্নরোয় কয়া অমুক দোপীং তৌরম্বদগী ফাদুনা মখোয়না ফংখিবা মেদল অদু অমুক হন্দোকহনখ্রে। অয়রলেন্দগী মাইচেল্লে স্মিথ কৌবী কুমজা ১৯৯৬ তা আটলান্টাদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসদা ইরোইবগী থৌরমদা সনাগী মেদল অহুম, শেঞ্জেংগী অমা পূন্না মেদল মরি ফংখিবী অমগী মরমদা দোপীং তৌই-তৌদে হায়বগী অচুম অরান থিগৎপগী ৱাফমসু শান্নরোয়শিংগী পূক্লিং লৌশিং ওইনরি। মহাক্না ওলেম্পিক অসিদা দোপীং তৌরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈখি, অখণ্ড অহৈশিংনদি অদুমক চিংনদুনা লৈরি। মরমদি মহাক্কী পার্ফোমেন্স য়াম্না থুনা হায়গৎলকখি। ইরোইবদা শরুক য়াদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবী অয়াম্বা চহী নৌরিবী ঙাক্তনি। মহাক্তি চহী য়াল্লবা মতুংদা মশাগী চহী ২৫ গী মথক্তা মহাক্কী হান্নগী পার্ফোমেন্সতগী হেনগৎলকখি অদুবু মহাক্কী হক্কী ঈশিং চাংয়েং তৌবদদি ফাবা ঙমখিদে। তৌইগুম্বসুং কুমজা ১৯৯৮ গী জানুৱারী ১০ দা মহাক দোপীং তৌরবসু করিগীদমক্তা হক্কী ঈশিং চাংয়েং তৌবদা ফাবা ঙমখিদবগে হায়বা খুজিল থৌরাংশিং অদু খঙলকখি।

মাইচেল্লে স্মিথ কুমজা ১৯৮৮ দা সিওল ওলেম্পিক্কী থৌরম মরিদা শরুক য়াবদা ফাইনেল চঙবা ঙমখিদে। মিটর ২০০ গী বেক ষ্ট্রোক্তা ১৭ শুবা তাখি। কুমজা ১৯৯২ গী বার্সেলোনা ওলেম্পিক্তা মিটর ৪০০ গী মেদলেয়দা ২০ শুবা তাখি। মথংগী ওলেম্পিক গেমসতনি মহাক্না সনাগী মেদল অহুম, শেঞ্জেংগী মেদল অমা ফংদুনা লৈবাক মীয়াম্না মহাকপু ইকায় খুম্নবা উৎখিবা অসি। মহাক্কী অসিনা ওলেম্পিক্তা আইরিশ মচা অমনা অমুক্তদা সনাগী মেদল অহুম ফংবা ঙম্বা অহানবনি। লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট মেরি রোবিনসন্না মহাকপু দবলিং এয়রপোর্টতা ওকখি। নুমিৎ কয়ানিমুক মহাক্কী পোক্লফম দবলিনগী মনাক্তা লৈবা রাথকুলগী কৌবা খুঙ্গংদা হরাউ কুম্মে চথখি।

বার্সেলোনা ওলেম্পিক গেমসদা মহাক্না মিটর ৪০০ গী মেদলেয়দা ২০ শুবা তাখিবা মতমদা মহাক্না হোলেন্দ মচা ইরিক দি ব্রুইদ কৌবা কুমজা ১৯৮৪ (লোস এঞ্জেলিস) অমসুং কুমজা ১৯৮৮ (সিওল) ওলেম্পিক্তা দিস্কস লংবদা শরুক য়াখিবা, মেদল ফংবদি ঙমখিদবা অমগা মশক খঙনখি। কুমজা ১৯৯৩ দা ব্রুইন দোপীং টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফাখি। মঙোন্দা Testosterone গী চাং কা হেন্না য়াওরম্বা থেংনখি অমদি মীরোনবী নুপীদা য়াওগদবা হোর্মোন Chorionic Gonadatropine কৌবা অদুসু য়াওরম্বা থেংনখি। মহাক চহী মরিগী অথিংবা থমখি অদুবু শান্নবদা অমুক শরুক য়াখিদ্রে।

হোলেন্দ মচা ব্রুইন অসিনা মাইচেল্লে স্মিথকী কোচ ওইদুনা মহাকপু লুহোংলবা মতুংদনি মহাক্না ওলেম্পিক্কী মেদল ফংখিবা অসি। কুমজা ১৯৯৩ দা মহাক মিটর ৪০০ গী ইন্দিভিজুয়েল মেদলেয়দা ৭০ শুবা রেঙ্কতা লৈরম্মী। মথংগী চহীদা মহাক্কী মখাদা কোচিং তৌবদগী মহাক্কী হান্নগী রেকোর্দতগী সেকেন্দ ৮.৬৩ য়াংখৎখি। ৱর্ল্ড রেঙ্কতা ১৭ শুবদা হায়গৎলকখি। কুমজা ১৯৯৫ গী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তা মহাক্না মিটর ২০০ গী বট্টরফ্লাই অমসুং মিটর ২০০ গী ইন্দিভিজুয়েল মেদলেয়দা মকোক ওইদুনা চহী লীরবী নুপী অসিনা তৌথোরকপা অসিদা অহৈ অশিংশিংদি চিংনবা অমা হেন্না পোকহল্লি। মহাক্কী মপুরোইবসু দোপ তৌবগী ফারুবা অসিনা অমুক্তা হেন্না চিংনবা হেনগৎখি। মসিগী মথক্তা দ্রগ টেষ্টিং তৌফম অমদা বেলজিয়মগী কোচ শাদুনা (এক্রিদেসন কার্দ) শকখঙনবা কার্দ থেৎচিল্লগা চঙলুবগী ৱাথোক লৈখিবনা মহাকপু কনানসু থাজদে। ৱর্ল্ড স্বিম্মিং ফেদরেসন (ফিনা), এফ আই এন এনা আইরিস অমেচর স্বিম্মিং এসোসিয়েসন কুমজা ১৯৯৫ গী মতমদা মাইচেল্লে স্মিথ করি করি অরানবা তৌরিবগে য়েংশিন্নবা আউট ওফ কম্পিটিসন, কম্পিটিসন তৌদবা থা খরনি অদুদা মহাক্কী হক্কী ঈশিং চাংয়েং তৌনবা খঙহনখি। ওলেম্পিক্তা মায় পাক্লবা মতুংদা মাহক্কী হক্কী ঈশিং লৌনবা হোৎনবদা মহাক্না লৌহন্দনবা হোৎনখি। মালেমগী চৎনবী মতুং ইন্না ৱর্ল্ড এন্টি দোপীং এজেন্সি (ৱাদা) না দ্রগ টেষ্টরশিং (দ্রগ টেষ্টকী এক্সপার্টশিং) নচিংবা শান্নরোয়শিংগী ময়ূমদা হান্না পাউ পীবা তৌদনা টেষ্ট তৌনবা হক্কী ঈশিং মতম অমদা, নুমিৎ অমদা হেক্তা লৌবা য়াই।

কুমজা ১৯৯৮ গী জানুৱারী ১০ দা অল গয়া অমসুং কেয় গয় কৌবা দ্রগ টেষ্ট্রর অসি মাইচেল্লে অমসুং ব্রুইনগী ময়ুমদা চাংয়েং তৌনবা হক্কী ঈশিং লৌবা চৎলুই মদুদা মাইচেল্লে এয়রপোর্টতা মী উনবা চৎকনি, থবক চিল্লি হায়রকখি। মদুদা টেষ্টর অনী অদুনা হায়, চিংননিঙাই লৈতে মখোয় অনীসু এয়রপোর্টতা চৎকনি, মফম অদুদা মহাক্না পীনিংবা মতমদা পীসনু। মদুদা মহাক্কী নিপা অদুনা মহাক্কী হক্কী ঈশিংগী সেম্পল অদু পীহল্লগে হায়খি। চৎনবীগী মতুং ইন্না এথলেট অমনা হক্কী ঈশিং লৌরিঙৈদা হায়বদি মপান থোক্লিঙৈদা টেষ্টর অমনা শংদুনা লৈগদবনি। মরমদি লিক্লি অদুদা অতোপ্পা মী অমগী হক্কী ঈশিং হাপচিল্লকপা য়াই নৎত্রগা হীদাক অমা হাপচিল্লগা ময়াই চমহনবসু য়াই। মাইচেল্লে স্মিথনা তোইলেটতা হেক চঙখিবগা কেয় গেয় (মহাক নুপীনি) মতুং ইন্নদুনা মহাক্না চঙমিন্নখি। মাইচেল্লেনা তোইলেটতা হেক ফমথখিবগা মহাক করি তৌরিবগে খঙদে, মহাক জর্সি অচৌবা অমদি লিৎলম্মী। হক্কী ঈশিং য়াওবা লিক্লি অদু সিল তৌশিল্লে (চাজুম নমশিল্লে) মমিং থারে, কোদ নম্বর হাপচিল্লে অদুগা বার্সেলোনাগী লেভোরেটরিদা পুরগা এনালাইসিস তৌদুনা হায়বদি করি করি পোৎচং য়াওবগে হায়বা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদগী মহাক্কী হক্কী ঈশিং অদুদা মীওইবনা থকপদা শিগদবা চাংদগী হেনবা অলকোহোলগী শরুক য়াম্না য়াওরমখি। মদুদগী মালেমগী ইরোইবগী মপু ওইরিবা ফিনানা খঙবা ঙমখি মদুদি মহাক্কী হক্কী ঈশিংদা য়াওরিবা মহাক্না চাখিবা হীদাক্কী মচলশিং অদুগী মগুণশিং মাঙখিনবা লোন্না তোইলেট মনুংদা অলকোহোল য়ানশিনখিবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি হান্না মহাক মমাঙদগী চথুরক্লবনি। মহাক চহী মরি শান্নবদগী অথিংবা থমখি। স্মিথনা কোর্ট ওফ আর্বিত্রেসন ফোর স্পোর্টসতা ৱাকৎখি। কোর্টনা অলকোহোল অদু স্মিথনা হাপচিনবনি হায়না ৱাকৎ অদু মায় পাকখিদবগা লোয়ননা মহাক্কী ইরোইবগী দ্রামাসু লোইশিনখি।

# ঐগী দারচুলা ইন্টরনেসনল বোর্দরগী খোঙচৎ



— থোকচোম সনাথোই সিংহ —

**মীওইবগী** পুন্সি অসি মখল মথেলনি। কপ্পা, নোকপা, হরাও-তয়াম্বা, অৱা-নুংঙাই অমদি পুন্সিগী কাওঙল্লরোইদবা মীকুপ কয়ানি। মতম মাগী খোঙচৎকী মতুং ইন্না পুন্সি খোঙচৎসু অহোংবা পুরকপা মথৌ তাই। করিগুম্বা থবক অমদা অদুমক লুপশিন্দুনা লৈবা, মহৈরোয় ওইরিবা ঐখোয়না করিগুম্বা পান্দম অমা ফংননবগীদমক্তনি হায়দুনা ইশা ইশাগী মহৈদা অদুমক পুংজা কয়া লুপশিন্দুনা লৈবগী মহুত্তা ঙাইহাকসু চখোকপা, কোয়থোকপা, মীয়াম পূনবা মফমদা মীয়ামগা তিন্নবা, ইশা ইশাগী ইরমদমগী লৈজরিবা তাংলবা টুরিষ্টকী পূক্লিং চিংশিনফম ওইরিবা মফমদা কোয়থোক্লুবা, ইরমদমখক্কী নত্তনা, ইরমদমগী ৱাংমদা লৈরিবা মফম কয়াগী নাৎ-কলচরগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা মফম কয়াদসু চখোকপা, কোয়থোকপনা ৱাখল শান্তি ফংগনি, ৱাখল চাওথোক্কনি, ৱাখল লৌশিং ওইবতা নত্তনা মরেক মহাও থোকপা পুন্সি অমা ওইগনি। অসিগুম্বা নুংঙাইরবা অকে অমৌগী ওইরবা মফমশিং য়েংলুবদা মীৎ কুপত্রবা মফমশিং অদুদগী নাথৈরগা অকি তুজুংবা পোকপা, খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমশিং অমদি খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা বোর্দরগী মফমশিংদা চখোকপা-কোয়থোকপা, মফম অদুগী লৈরিবা ফীভমবু খঙদোক্তুনা মফম অদুদা সিপোইশিংনা হিংলিবা পুন্সি মরেল, হায়রিবা মফমশিং অসিদসু চখোকপা, কোয়থোকপনা ৱাখল চাওথোকপদা নত্তনা ঙসিগী মীরোলদা পেত্রোইটিজম, নেসনেলিজম অমদি সেক্রিফাইজিং স্পিরিট শুকশোয় শোয়দনা লৈগনি। হায়রিবা অসিনা জর্নি ওইরগা হন্দক্তা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (এম ঐচ আর দি), গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্স অমদি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরস, অহুম্না পুল্লগা হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংবু বোর্দর ইনভাইরোনমেন্ট খঙহন্নবা মফমশিং অদুদা লৈরিবা সিপোইশিংগী পুন্সি মরেলবু হকথেংননা খঙহন্নবা অমদি নেসনেলিজম অমদি পেত্রোইটিজমগী ইহুল পোক্লনবা ইন্টরনেসনল বোর্দর কোয়ননবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী প্রোগ্রাম অমা ওইরিবা সীমা দশন ফেজ টুগী দারচুলা ইন্টরনেসনল বোর্দর কোয়বগী টুর প্রোগ্রাম হৌখিবা জুন ১৫ দগী ২১ ফাওবা চখখি।

লাইবক ফবা হায়গদ্রা, হায়রিবা খোঙচৎ অসিগীদমক নোর্থ ইষ্টতগী মহৈরোয় অনী খনগৎপদা ঐহাকসু য়াওবা ফংজখি। খোঙচৎ অসিগীদমক ইন্দিয়া পূম্বগী মহৈরোয় নুপা নুপী ২৪ না শাবা খোঙবু অমা হায়রিবা খোঙচৎ অদুগীদমক জুন ১৫ দা দিল্লি থাদোকখি। পুংজা অদুমক্তদা ঐখোয় পূম্ববু ৬২৫ শুবা SATA BTY অমদি কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়া সঙ্গাথননা হালদৱানিদা লৈবা ৬২৫ শুবা SATA BTY গী য়ুনিট অমদা ঐখোয় পূম্ববু ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখি। থৌরম অদু য়াম্না মচু তাই, পূন্নমক ফজৈ। খোঙচৎ অদু য়াম্না নুংঙাইবা মপূং ফাবা খোঙচৎ অমা ওইগনি হায়বা খোঙচৎ অদুগী হেক হৌবদগী হৌনা খঙবা ঙমখি। য়ুনিট অদুগী মশা নাল্লবা সিপোইশিংনা ঐখোয় পূম্ববু পীজ-পীথক তৌবা লোইরবা মতুংদা ঐখোয়গী পন্থুংফম ওইরিবা দারচুলা বোর্দরবু য়ৌননবা মাঙলোমদা খোঙ থাংননবগীদমক পূক্লিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা লমশাং চৎপদা চাননবা অচা-অথক কয়া য়েল্লকখি। করিগুম্বা থবক অমা তৌদ্রিঙৈদা নৎত্রগা থবক অদুবু তৌরিঙৈদা তৌরিবা মী অদুবু পূক্লিং থৌগৎপীবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়বসি ইহান হানবমক্তদা থমজগে। ঐখোয়বু দারচুলা বোর্দর য়ৌনবগীদমক Kumaon Scouts কী সুবেদার, বিরেন্দ্র সিংহ, হভিলদার নন্দান সিংহ অমদি Kumaon Scouts কী সিপোইশিংগা লোয়ননা ঐখোয়বু লমজিং লমতাকপীদুনা দরচুলা বোর্দরগীদমক মাঙলোমদা চঙশিল্লকখি।

দারচুলা বোর্দর অসি টিবেট, নেপাল অমদি ইন্দিয়াগী বোর্দর এরিয়ানি। হালদৱানিদগী হায়রিবা বোর্দর মফম অসি ফাওবা য়াম্না লাপ্পদা নত্তনা চীং লম্বী ওইবনা মরম ওইরগা ঐখোয় নোংমা মফম অমদা লেক চারবা মতুং নোংঙাল্লগা মফম অমদা অমুক থুংদুনা নোংঙাল্লগা অমুক পন্থুংফম য়ৌনবা চৎপা তাখি।

জুন ১৫, নুমিৎ অদুমক্কী নুমিদাংদা অলমোসাদা থুংলবা মতুং ঐখোয় পূম্বা G.B. Pant Institute of Himalayan Environment and Development, Kosi, Almova দা নুমিদাং থুংদুনা মফম অদুদা লৈরবা মতুং নোংঙাল্লগা অমুক খোঙশানখি।

অসুম লাকপনা Pithoragarh য়ৌরবদা ঐখোয়বু ১১৯ ব্রিগেদ অমদি K.V. Pithoragarh অনীনা ঐখোয়বু তরাম্না ওকপীখি। ১১৯ ব্রিগেদকী ব্রিগেদ কম্মান্দর, মিষ্টর রাকেশ মনোচা অমদি কে ভিগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর, মিষ্টর পি কে জামটানা ঐখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা খোঙচৎ অদুগী মতাংদা শেংলবা ৱারোল থম্বীরকখি। মীকুপ অদুদা ব্রিগেদ কম্মান্দর, রাকেশ মনোচানা খোঙচৎ অদুবু লমজিং লমতাকপীগদৌরিবা, ঐখোয় পূম্বগা শাগোন্নদুনা চৎকদৌরিবা Kumaon Scouts কী নহা ওইরিবা Major Hridey Kant Bhardwaj পু শক তাল্লকখি। চুং ফিরাল চারবা, মশা য়াম্না নাল্লবা, ফীভম মুর্ত্তিদু হেক য়েংবদা লোয়নবা নুংঙাইগদবা মী অদুমক মাল্লি। খল্লুবগা মপা চপ চাননা মশাবু শক্তামচরবা মতুং চামিন থকমিন্নরবা মতুংদা ঐখোয় পূম্বদা K.V. Pithoragarh গী স্কুল ওথোরিটিনা রেদ রোস অমমম খুদোল তল্লকখি।

Pithoragarh দা লৈবা আর্মি গোল্ফ কোর্সতা Major Hridey গী লমজিং মখাদা মফম অদুদা মখল মথেল কয়াগী চীঞ্জাক্না লোয়ননা হাওরবা চাক্লেন চামিন্নরবা মতুংদা মফম অদুমক্তদা লৈবা ২৮ শুবা বট্টালিয়ন, পঞ্জাব রেজিমেন্টনা ঐখোয়বু ওকপীখি। আর্মিগী পুন্সি তোঙানবনি, মীবু তেংবাঙবগী ৱাখল্লোন য়াম্না ফজৈ, লু-নানবা, নীতি চুম্বা, থকসি-খাসি পূন্নমক তমজনীংঙাইনি।

নুমিৎ অদু ঐখোয় মফম অদুদা লৈবা তাখি। ঐখোয় ঐখোয়না পুরকপা পোৎ চৈ পূম্বা কাদা থল্লবা মতুং ঙাইহাক পোত্থাদুনা হকচাং শেংদোক্লবা মতুংদা ঐখোয় য়ুনিট অদুগী ইন্দোর কোম্বেট শুটিং রিংদা ফয়ারিংগীদমক পুবিখি। ফয়ারিংগী দেমোন্সত্রেসন ঐখোয় পূম্বগী মাংদা পীরবা মতুংদা রাইফল অদুবু ঐখোয় খুদিংমক্না মরু ৪ / ৪ কাপ্পনবগী তাঞ্জা ফংখি। ফয়ারিং লোইরবা মতুং থিন্থবা তৌদনা খোঙচৎ অদু তেক্তা কায়দনবনি হায়দুনা চীংদোল মথক্তা লৈরিবা মফম অদুগী চাওরবা মন্দির অমদা চৎতুনা লাই খুরুমখি।

নুমিদাংদা য়ুনিট অদুগী Panchchuli Sainik Institute তা ইন্দিয়ন আর্মিগী থোইদোক হেন্দোকপা হৈশিংবা, থবক থৌদাংনচিংবা উৎপা মোটিভেসনল মুভি অমা ঐখোয়বু য়েংহনখি। মশা নাল্লবা অঙৌবা ফিজোল শেৎপা মীওই মঙানা ঐখোয়দা অচা অথক কয়া য়েল্লকখি। য়াম্না মচু তাই। নুমিদাংগী চাক্লেন মফম অদুদা চারবা মতুংদা নোং হেক ঙানবগা বোর্দর মফম য়ৌনবা ঐখোয় পূম্বা শেম শাদুনা লৈখি।

খোঙচৎ অদু হৌরকপদগী হৌনা ঙাইদুনা লৈরক্লবা পুংজা অদু জুন ১৭ কী অয়ূক্কী পুং ১১ তাবা মতমদা ওইখি। পুংজা অসিমক্তদা ঐখোয় দারচুলা য়ৌখি। মফম অদুগী চেকপোষ্ট অমদা গাড়ী অদু খাল্লবা মতুংদা Mr. Hridey না ঐখোয়দা ঐখোয়গী মাঙদা উরিবা চীংজাও অদু নেপালনি হায়না ফোঙদোরকখি। ঐখোয়না লেপ্লীবা মফম অমদি চীংজাও অদুগী মরক্তা চেল্লিবা কালি তুরেলনা ইন্দিয়া নেপালবু খায়দোক্লি। মফম অদুদগী ঐনা খঙবা ঙমখিবদি দারচুলাদগী কিলোমিটর ৫০ গী ময়াদা লৈবা মফমদা বি এস এন এল সিম নত্তনা অতোপ্পা সিম অমত্তগী নেটৱার্ক ফংদে। ঐখোয়গী এয়রসেল, এয়রটেলগী সিমদি অলমোরাদগী হৌনা নেটৱার্ক অমত্তা ফংখিদ্রবনি।

নুমিৎ অদুমক্তদা, খোঙচৎ অদুগী পন্থুংফম ওইগদৌরিবা দারচুলা অমদি ঐখোয় পূম্বগী লৈফম চাফম ওইগদৌরিবা দারচুলাগী Kumaon Scouts তা নুংথিল পুং ১২.১০ তাবা মতমদা থুংখি। মফম অদুদা ঐখোয়বু ওকপীরবা তুংদা ঐখোয়গী লৈফম চাফম, কানচিংবা শীনবিরকখি। মফম অদুদা ঐখোয় অৱাৎপা করিসু লৈহল্লকখিদে। কাশিংদা টেলিভিজন, ওপন ৱাই-ফাই নেটৱর্ক অমদি ইরু মাইথজনবফাওবা ঈশিং অশাবা পীবিখি।

ঙাইহাক পোত্থারবা তুংদা Mr. Hridey গী লমজিং মখাদা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম কয়ামরুম পায়খৎখি। ইহান হানবমক্তদা এদভেঞ্চরস লোমদা চঙশিন্দুনা রোক ক্লাইম্বিং তৌগনি হায়না তাকপীরকখি। দারচুলাদা লৈবা রোক ক্রাফ্ট নোদল সেন্টরদা খোঙনা মফম অদু ফাওবা চৎলবা মতুং ইহান হানবমক্তদা ঐখোয়গী মাংদা হৈ শিংলবা লাম্মী মরিনা তোঙান তোঙানবা মখলগী দেমোন্সত্রেসন তৌবিখি। রোক ক্লাইম্বিং তৌবদা শীজিন্নবা মচাকশিং, মখোয়গী কান্নবা শীজিন্নফম অমদি য়েক্লবগী মায়োক্তা করম্বা মতমদা শীজিন্নগনি হায়বনচিংবা শন্দোক্না তাকপীরকখি। পুন্সিগী ইহান হানবা ওইনা কোক্তা তুপী হাপ্তুনা, ইশাদা থৌরিনা পুন্দুনা ঐ অমদি ঐগী ইমান্নবা অমগা ইহান হানবা ওইনা মার্ক তৌদুনা লৈরিবা নম্বর ৭ অমদি ৮ দা কাখি। ইশাদা পাঙ্গল থৌনা য়াম্না লাকখি, হেন্না এদভেঞ্চর লোমদা চঙশিন্নিংবগী অপাম্বা লাকখি। চৎমিন্নরিবা নুপা-নুপী ঐখোয় পূন্নমক চাংয়েংখি। কারিঙৈগী মতমদা খূৎ পায়ফম লৈতবগী অমদি কুল্লকপা মতমদা খোঙ চানদবদগী মথক্তা হাইদুনা অদুমক লৈবা অমদি তারকপা কয়া য়াওখি। মসিদি শুপ্নতংগী খোঙচৎ অদুগী অহৌবনি।

নুমিদাং পুং ৮ তাবা মতমদা স্কাউটকী ওদিটোরিয়মদা ঐখোয় পূম্ববু ২০১৩ দা ইন্দিয়ন আর্মিগী মীওই ২০ না শাবা কাঙবু অমনা সর্প্রাইজ এটেক তৌবগী দেমোন্সত্রেসন ভিদিও অমা ঐখোয়গী মাঙদা উৎখি। কয়াদা ইচং থৌখ্রবা, মরৈবাক্কীদক মথৱায় থাদোকপা কিদে, য়াম্না হৈশিংই। ঐখোয়গী Mr. Hridey না ঐখোয়দা অসুম্না তাকপীখি মদুদি লাঞ্জং অদুগীদমক মশীং য়ামদ্রবা লাম্মী ২০ অদু থা ৬ চুপ্পা ত্রেনিং তৌখি হায়রি।

নোংঙাল্লবা মতুং জুন ১৮, নুমিৎ অদুদা তৌগদবা থবকশিং অদু য়াম্না য়ামই। অমগী মথংদা অমনি। য়ামখ্রবা প্রোগ্রামশিং অদু মথং মথং মচু তানা মতম চপ চপ চানা হৈশিংলবা Mr. Hridey না শীন্দোকখি।

ইহান হানবমক্তদা Mr. Hridey গী লমজিং মখাদা য়ুনিট অদুগী Sentinels of the passes তা চঙখি। মফম অদুগী বোর্দর এরিয়াগী চাওরবা ক্লে মোদেল অমা লৈরমখি। মোদেল অদুদা মফম অদুগা হায়বদি দারচুলাগা লোন্নরিবা বোর্দর এরিয়াশিং উৎলি। পোইন্টর অশাংবা অমা পায়দুনা Mr. Hridey না মোদেল অদুবু শন্দোক্না তাল্লকখি। বোর্দরগী মফমশিং অদু তোঙান তোঙানবা মচুনা মশক তাক্লি। বোর্দরবু য়েলো অমসুং পর্পলগী য়ান্নবা মচুনা ইন্দিয়া চাইনা বোর্দরনি অদুগা য়েলো অমদি ব্লুগা য়ানবা মচুনা ইন্দিয়া-নেপাল বোর্দরনি হায়না হায়বীরকখি। ইন্দিয়াগা লোন্নরিবা টিবেট ওটোনোমস রিজন (টি এ আর) বু চাইনিজকী লান্মীশিংনা খুদুম চনশিন্দুনা টি এ আরবু চিনানি হায়না ক্লেইম তৌরি। টিবেটকী গভর্ণমেন্টপু লোই থাবনা মরম ওইরগা টিবেটনা ইন্দিয়াদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়বগী ৱাফম্নচিংবা পল্লকখি।

মসিগী মতুং তোঙান তোঙানবা নোংমৈ কয়া উৎতুনা লৈরিবা ষ্টোলশিংদা ঐখোয়বু পুশিনখি। তোঙান তোঙানবা নোংমৈ কয়া মমিং ওইনা খরদং পল্লবদা 81 MM MOR, 30 MM AGL, 30 MM AGL-17, 84 MM RL, MP 9, 7.62 MM LM, 9 MM CMG, S1 MM MOR, 5.56 MM Insas Rifle, 7.62 MM D অমদি 7.62 MM MMG নি। নোংমৈশিং অদুবু ষ্টোলদা লৈরিবা জৱানশিংনা ঐখোয়গী মাংদা মথং মনাও নাইনা দেমোন্সত্রেসন তৌরবা মতুংদা ইশা ইশানা নোংমৈশিং অদু মথং মনাও নাইনা চাংয়েং তৌখি। খূৎশু খূৎলায়গী লমদা মখা চত্থদুনা, ১৮৩১ শুবা আর্মি আর্টিল্লরি য়ুনিটতা তোঙান তোঙানবা টেক্লিকেলগী ওইবা লমদা খূৎশু খূৎলাইশিং শীজিন্নবগী মতাংদা ঐখোয়গী মাংদা উৎলকখি।

মতুং মফম অদুমক্তদা চলাইরিবা হায়দ্রো ইলেক্ট্রিক প্রোজেক্ট, Dauliganga power station দা ঐখোয় অমুক খোঙশানখি।

নুমিৎ অদুগী কাওঙল্লরোইদবা মীকুপ অমা হায়বা তারগদি দারচুলাগী য়াম্না ফজখ্রবা ৱাংখ্রবা চীংদোলদগী চেন্থরক্লিবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী চাইথরক্লিবা ঈশিংগী মখোংদা Mr. Hridey, সুবেদার বিরেন্দ্র, হভিলদার নন্দন অমদি Kumaon Scouts কী জৱান খরগা লোয়ননা মফম অদুদা পিক্লিক তৌখি। জৱানশিং অদুনা চান-থক্লবা শীল লাংলিঙৈ ঐখোয় পূম্বা হরাউনা ঈশিং শান্নখি, চেন্থরিবা ঈচেলদুগী মরক্তা পাক চাওরবা নুংপাকশিং অদুদা চেন চোংদুনা শান্নখি, ৱারবা কয়ানা নুংপাক্তা হিপ্তুনা চাইথরক্লিবা ঈশিং অদুনা মশা পূম্বা য়ৈহন্দুনা হরাউনা মীকুপশিং অদুগী মহাও লৌরি। ঈশিংদা ৱানা চেন চোংদুনা শান্নরবা মতুং হাওরবা চাকলেন ময়াম পূন্না চামিন্নখি। পূন্নমক্কী মাইথোং হরাও তয়াম্বগী, মোমোন মীনোক নোকপগী মমি তাখি।

ঐখোয়গী লৈফমদা ফি হোংদোক্লবা মতুং অমুক ফয়ারিং তৌনবগীদমক কালিশা ফয়ারিং রেঞ্জদা অমুক মায় ওনখি। কালিশা ফয়ারিং রিংগী গ্রাউন্দদা ইন্সাস রাইফল অমদি এল এম জি দেমোন্সত্রেসন তৌরুবা তৌদনা ঐখোয় খুদিংমক মরু ৫/৫ কাপ্পগী তাঞ্জা ফংখি। মদুগী এক্সপরিএন্স অদুদি তোঙানবনি। কাপ্পা লোইরবা মতুং অহৌবা খোঞ্জেল অদুনা নাকোংদা অদুমক য়ৈশিন্দুনা লৈখি।

ফয়ারিং লোইরবা মতুং কালিশা ফয়ারিং রিংদগী খোঙ থাংদোক্তুনা নেপালদা চঙননবা শেম শাখি। ঐখোয়বু ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লৈরিবা চেকপোষ্ট অদুদা চেক তৌরবা মতুংদা নেপালদা পূন্না চঙননবা লেপ্তুনা লৈখি। মফম অদুদা ফোটো কাপ্পা অয়াবা অমত্তা পীদে। ইন্দিয়া-নেপালবু খায়দোক্লিবা চাওরবা কালি তুরেল অদু য়োৎকী থোং অমনা লান্থোক লানশিন তৌনরি। থোং অদুগী মতেংনা ইন্দিয়া নেপাল অনীগী মীওইশিংনা চখোক চৎশিন তৌনরি। ইন্দিয়া অমসুং নেপাল মায়কৈ অনীদা ৱাংম-ৱাংমদা গেট অমমম পাল্লি। গেট অদু মায়কৈ অনীমক্না অয়ূক্কী পুং ৬ তগী হাংলগা নুমিদাং পুং ৭ তাবা মতমদা লোল্লি হায়না Mr. Hridey না ঐখোয়দা তাকপীখি।

নেপালদগী হল্লক্লবা মতুং Kumaon Scouts কী হোর্স রাইদিং গ্রাউন্দদা নুমিদাংৱাইরম ঐখোয় পূম্বা লম্পাক অদুদা শগোল থৌবা হৈরবা জৱানশিংনা মতেং পাঙবীদুনা লৈরল্লিবা শগোল অহুম অদুদা মথং মনাও নাইনা থৌহনখি। পুন্সিগী অমুক ফাওবা তৌখিদ্রিবা থবক ঙাক্তনি হন্দক্কী খোঙচৎ অদুদা তৌখ্রিবা। নুংঙাইরবা মীকুপ কয়া মফম অদুদা লেনথোকখিবা, মফম অদুগী জৱানশিংগা লোইনখিবা পুন্সিগী কাওঙল্লরোইদবা মীকুপশিং, মখোয়গী পুন্সি মহিং, নোংঙাল্লগা মখোয়বু থাদোক্তুনা চৎলগনি খনবদা ঐঙোন্দা করিগুম্বা নুংঙাইতবা অমা পোকখি। কায়ননবগী পুংজা লাক্লবদা ঐখোয় পূন্না ফোটো নম্মীনরবা তুংদা খূৎ হায়নদুনা বিদায় পীনখি।

জুন ১৯ নুমিৎ অদুদা Kumaon Scouts পু বিদায় পীরল্লবা তুংদা ঐখোয় দিল্লিগীদমক হান্নগুম হালদৱানিদা লাকপা তাখি। ঐখোয়না দারচুলাদা হান্না লাকখিবা মতৌগুম মফম অমদা থুংবা, নোংঙাল্লগা অমুক খোঙশানবা মথৌ তাখি। অদুবু হল্লকপগী লম্বীদা পাঙথোকখিবা নুংঙাইরবা মীকুপশিং অদুদি পুন্সিগী তাংলবা শরুকশিং ওইখি। হল্লকপগী লম্বীদা নুংথিলগী চাক্লেনগীদমক ঐখোয়বু আসাম রেজিমেন্টনা ওকপীখি। রেজিমেন্ট অদু নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংনা পুল্লগা শেম্বনি। মীতৈ মচা ওফিসারদা নত্তনা ম্যুজিক্কী লমদসু মীতৈ মচা খরা মফম অদুদা থবক তৌদুনা লৈরমখি। ঐখোয়বু মফম অদুদা ওকপগী মওং অদুদি পুন্সিদা অমুক ফাওবা থোকখিদ্রিবা মওং অমদনি। ধুম-ধামদা ঈশৈ থিল্লগা, নুংঙাইরবা ঈশৈ কয়ানা মতুং ইন্নদুনা ঐখোয়বু ওকপীখি। য়াম্নসু পীক্তবা য়াম্নসু চাওদবা লম্পাক অমদা চাক্লেন অদু য়াম্না নান্না শীল্লমখি। চাক্লেন চাদ্রিঙৈ অমসুং চারিঙৈ মনুংদা নুংঙাই-নুংঙাইরবা খোঞ্জেলদা মফম অদুদা ঈশৈগী লমদা থবক তৌদুনা লৈরিবা মীতৈ মচা অদুনা ময়াম্থু পেলহন্ননবা ঈশৈ শকখি। তাঞ্জা অদুদা মীতৈ মচা ওফিসর অমনা মণিপুরী মচা য়াওব্রা হংলকপদা, য়াওরে খঙলবদা ঐবু ঈশৈ অমা শক্লবা হায়রকখি। ৱাখলদা করিসু চিংনবা লৈতনা চাক তোল্লবা মতুং ঈশৈ তৌফম অদোমদা চঙশিন্দুনা ইমালোন্দা ঈশৈ অমা মীয়ামগী মাঙদা খুদোল তমখি। নাকলদা ফল্লিবা মীতৈ মচা ওফিসারনা হরাউনা লাউশিল্লকখি অমদি লোইরবা মতুং ঐবু খূৎ শোক্তুনা পূক্লিং থৌগৎপীখি। ঈশৈ শকপা লোইরবা মতুং নুংঙাইরবা তাম্থাদা ওফিসারশিং অমদি লৈরিবা নুপা-নুপী পূন্না জগোয় শানরকখি। কয়াদা পেনজখিবা, অসুক নুংঙাইরবা মীকুপশিং অদু অমুক হল্লক্লরোই।

হল্লকপগী লম্বীদা মসিনা লোইদ্রি। Pithoragarh দা লৈবা জেনরেল বি সি জোসি আর্মি স্কুলদা স্কুলগী ওথোরিটি অমদি নুপী আর্মি কেপ্তেন রকশিতানা ঐখোয়বু ওকপীদুনা কনফরেন্স হোলদা পুশিনবীখি। আর্মি স্কুল অদুগী লৈরিবা ফেসিলিটিশিংদা নত্তনা কেপ্তেন রকশিতানা আর্ম ফোর্সেসতা চঙননবা এন্ট্রি স্কিমশিংগী মতাংদা শুগাইনা তাকপীরকখি। কনফরেন্স হোলদগী হেক থোক্লকপগা তোঙান তোঙানবা ন্যুজ চেনেল মরিনা ইন্টরভিয়ু লৌবা চঙলকখি। ইন্টরভিয়ু অদুদা নুপাগী মহুৎ শিন্দুনা ঐনা পীখি অমদি নুপীগী মহুৎ শিন্দুনা ঐগী টুরমেট খুশী কৌবী অমনা পীখি।

হান্নগুম ঐখোয় ২৮ শুবা বট্টালিয়ন, পঞ্জাব রেজিমেন্টতা অমুক থুংখি। ঙাইহাক পোত্থারগা ইরু মাইথজনরবা মতুং নুমিদাং পুং ৭ তগী হৌগদবা নাইট পার্টিগীদমক ঐখোয় অহুম Kumaon Rifle দা চৎখি। মফম অদু হেক য়ৌরবদা Mr. Hridey অমদি তোঙান তোঙানবা আর্মি ওফিসর কয়ামরুম লৈরমখি। য়াম্না চাওনা মচু তানা শীল্লি। ফজরবা তোঙান তোঙানবা মৈগী মচু কয়ানা নান্না শেল্লবা মফমশিং অদুদা লৈতেংলি। Mr. Hridey না ঐখোয়বু ওক্লদুনা শেবা তৌরিবা জৱান খরবু কৌরদুনা ঐখোয়দা থক্ল-চানবা কয়া য়েলহল্লকখি। তোঙান তোঙানবা ওফিসর কয়ানা ঐখোয়গী নাক্তা চঙশিল্লক্তুনা ৱারী ৱাতাই শারকখি। মীকুপশিং অদুদা ৱাখল য়াম্না চাওথোকখি। নুমিৎ অদুগী নাইট পার্টি অদু পুন্সিগী ইহান হানবনি। অদুগুম্বগী মফম অদুদা মতৌ করম্না ইকায় খুম্নবা উৎকনি খঙলমদে। মসিগীদমক্তনি Mr. Hridey না নাইট পার্টি অদুবু শীল্লিবা। নাইট পার্টি হায়বসি করিনো, ওফিসরস অমদি অতৈ অচৌ অশাংশিংগা মতৌ করম্না পুনগনি, করম্না ইকায় খুম্নবা উৎকনি অমদি মীয়াম পূনবা মফমদা মীয়ামগা মতৌ করম্না লোয়নগনি অসিনচিংবনি। নাইট পার্টি অদুগী মনুংদা 3 Kumaon Rifle না কে ভিগী এ সি পি কে জামটাদা খুদোলপোৎ অমা পীখি। পি কে জামটানা মহাক্কী ৱারোল থমখ্রবা মতুং ঐগী টুরমেট খুশী অমদি ঐনা মীয়ামগী মাঙদা খোঙচৎ অদুদা থেংনরকখিবা পূম্বা পাউদমখি। 3 Kumaon Rifle গী হৌজিক ফাওবগী লৈরিবা এচিভমেন্টশিং উৎপা লোইরবা মতুং মফম অদুমক্তদা নুমিদাংগী চাকলেন ময়াম পূন্না চামিন্নখি মতুংদা ঐখোয় দিল্লিগীদমক লাকখি।

জুন ২১ গী নুমিদাং পুং ৭ তাবা মতমদা দিল্লিদা থুংখি। দিল্লিদা থুংলবা মতুং খোঙচৎলোই পূম্বা মায়থোং মকশিন্নখি। কায়নরগনি খল্লুবদা কোন্নদুনা নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লখি। পূন্নমক কায়নদুনা মশা মশাগী ময়ূম মায়কৈ পাঙনখি। ঐগী পুন্সিদা অসিগুম্বা খোঙচৎ কয়া চৎকে হায়বগী ৱাখল্লোন ঙসিসু অদুমক লৈরি।